**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-09-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০১-০৯-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) এন.আর.সি তৌদ্রিঙৈদা মীকোক থিবগী থবক চথবা য়ারোই হায়বা দাবীদা কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিতেসননা কৌবা জেনরেল স্ত্রাইকনা মীয়ামগী পুনশিদা চাউনা অপনবা থোক্লে।

২) কাংপোকপী জিলাগী এন. তৈখাংদা নুপী অনি য়াওনা মীওই অহুম হাৎখিবা, মরিনা শোকহনখিবগী থৌদোক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। কোতুনা কৌবা পুং ২৪ গী সটদাউন ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী হৌখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি ২৬ শুবা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও)গী মীফমদা ৱা ঙাংগনি।

----

**এনআরসি (এল)ঃ** এন.আর.সি তৌদ্রিঙৈদা মীকোক থিবগী থবক চথবা য়ারোই হায়বা দাবীদা কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিতেসন (জে.এফ.দি)না কৌবা জেনরেল স্ত্রাইকনা মীয়ামগী পুনশিদা চাউনা অপনবা থোক্লে। জেনরেল স্ত্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা মরুওইবা কৈথেলশিং ফমদ্রে, লম্বীদা গারি চৎপগী চাং নেম্লে। জিলা অমগা জিলা অমগা ফাওনবা গারিশিং চেনদ্রে।

রাজ্য অসিদা এন.আর.সি তৌদনা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা দাবীদা মফম কয়াদা মীয়ামগী খোঙজং চংশিনখি। খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলনা শিন্দুনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। থৌবাল জিলাদসু তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদু ৱাংজিং কোদোম্পী গ্রাউন্দদগী হৌরগা খোংজোম খেবা চীং ফাওবা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা নো এন আর সি, নো সেন্সস, আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাদ্রিঙৈদা মীকোক থিবা য়ারোই, য়েলহৌমীশিং কল্লু, আইন কাইনা চংলকপা মীওইশিং মরমদা হলহনখো হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

জে.এফ.দিগী আই.পি.আর সেক্রেটরি কাংজম মহারাবিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মণিপুরদা মীকোক থিবগী থবক য়ৈথোক্লে হায়বা আর.জি.আই অমসুং সেন্সস কম্মিসনরনা ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর-গেজেট নোতিফিকেসন অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা মনিপুরগী মীকোক থিবগী থবক য়ৈথোক্লে হায়বসি ওফিসিয়েল ওইরে হায়না লৌবা য়াদ্রি। চেরোল অদুনা হায়-জে.এফ.দিনা লাউথোকখিবা জেনরেল স্ত্রাইক্কী ৱাফমদা করিগুম্বা অহোংবা অমত্তা লৈতে। শ্রী মহারাবিনা হায়-পাউ খরগী মতুং ইন্নদি রেজিস্তর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া অমসুং গৃহ মন্ত্রালয়গা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারি শান্নখ্রে। মণিপুরদা মীকোক থিবগী থবক তোকপগী ৱাফমগী মতাংদা ফাইল চৎপগী থবক হৌরে হায়বা থাজবা লৈ।

**গোবিন্দাস(এল)ঃ**রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা নোংমগী সুরগা চরা তাল্লিবশিংগী য়েংলগা বন্দ, জেনরেল স্ত্রাইক্কী থবকশিং হন্দোকপীনবা আপিল তৌরি।

ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা থম্বাল শংলেনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-প্রজা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না কেন্দ্র সরকারনা থবক পায়খৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে। মমাঙ থাগী তাং ২০ দগী এম.এল.এশিং অমদি দলগী লুচিংবশিং দেল্লিদা লৈদুনা কেন্দ্রগী লুচিংবশিং উন্নদুনা কুমজা ২০২৭ কা মীকোক থিবগী থবক অসি হেক চথবদা ওইরক্কদবা ফিভমগী মতাংদা পাউদমখি।

শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতগী মীকোক থিবগী থবক লেপ্পলগনি হায়না চেরোল থোকখ্রবনিনা জে.এফ.দিনা চথরিবা বন্দ অসি মীয়ামগী অৱাবা য়েংগা হন্দোকপীনবা হায়জরি।

**কিল্ড (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী টি. ৱাইচোং সব-দিভিজনগী মনুং চনবা এন. তৈখাংদা ঙরাং অয়ুক শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নুপী অনি য়াওনা মীওই অহুম শিখিবা, মরিনা শোকহনখিবগী থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-অসিগুম্বা হিংশাগী থৌওং অসিদা সরকারনা কৈদৌনুংদসু খাঙদুনা তুমিন্না লৈথোক্লোই। মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগা লোয়ননা আইনগী মতুং ইন্না চপ চাবা চৈরাক পীগনি। লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোরক্লি।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউ ভাগুনৈ সিংসিৎনা হায়- নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদু ঙরাং অয়ুক পুং ৮ অদুৱাইদা থোকখিবনি। শিবা মীওইশিং অমসুং অশোকপশিং মশক খঙলে। থৌদোক অদুদা শকখঙদবশিংনা য়ুম অমস্ মৈ

থাদোক্লমখি। আই.টি রোদকী এন.তৈখাংদা নুপী অনি য়াওনা মীওই অহুম হাৎলম্বা, খরনা শোকহল্লম্বগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কম্মিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি (কোতু) সদর হিলস কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী হৌরগা পুং ২৪ গী সটদাউন লাউথোকখ্রে। কোতুনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী খুদক্তগী থিংজিল্লে। অদুমওইনমক, স্কুল কোলেজশিং, মেদিকেল, ফায়র সার্ভিস, বেঙ্ক অমসুং ইলেক্ত্রিসিতি বিভাগতি বন্দ অসিনা কোনশিল্লোই হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি ২৬ শুবা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও)গী মীফমদা ৱা ঙাংগনি।

কিরজিক্সতানগী কোনুং বিস্কেক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এস.সি.ও মীফমগী মাংওইননা প্রধান মন্ত্রিনা রসিয়াগী রাস্ত্রপতি ৱ্লাদিমির পুতিনগা উন্নদুনা ৱারি শান্নখি। উন্নবা অদুদা, লল্লোন ইতিক অমসুং শেল থাদবা, ইনর্জি অমসুং ঙাকশেলগী লমদা ভারত অমসুং রসিয়াগী লৈনরিবা মরীগী মরুওইবা হীরম কয়াদা ৱা খন্নখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারত অমসুং রসিয়াগী মরী নোংম নোংমগী ফগৎলি। রাস্ত্রপতি পুতিন ব্রিক্স মীফম য়াওননবা ভারত্তা লাক্কনি। উন্নবা অদুদা, প্রধান মন্ত্রিনা হায়-নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা ব্রিক্স মীফম পাঙথোক্কনি। রসিয়াগী রাস্ত্রপতিনা ভারত্তা লাকপা অসিনা লৈবাক অনিগী মরী তেংবাং পীনবা হেনগৎহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ইরান, কিরজিক রিপব্লিক অমসুং আর্মেনিয়াগী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারি শান্নখি।

**পি.এমঃ** কিরজিস্তানগী কোনুং বিস্কেক্তা পাঙথোকপা ৬ শুবা ৱার্ল্ড নোমেদ গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং এস.সি.ওগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি। গেমস অসিনা ইনাক খুল্লবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা

মশান্নশিং, নোমেদিক সিভিলাইজেসনশিংগী কলচর অমসুং হেরিতেজ অমসুং তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী কলচরশিং পুনশিন্নদুনা পাঙথোকবগী খুদোংচাবা অমা পীরি।

**নদ্দাঃ** লৈবাক অসিদগী তি.বি লায়না মুথৎনবা লৌখৎলিবা খোঙথাং কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্লাল মন্ত্রি জে.পি নদ্দানা য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা, তি.বি মুক্ত ভারত অভিয়ান হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মন্ত্রালয়শিং পুনশিনবগী মতাংদা হেন্না মীৎয়েং চংখি।

হকশেল মন্ত্রালয়না সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-মাই ভারত ভোলুন্তিয়র্সকী খুথাংদা য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়, এন.সি.সি কেদেদশিংগী খুথাংদা ঙাকশেল মন্ত্রালয়শিংনা মীয়াম্বু লায়না অসিগী মতাংদা ভাপ তাহনবগী থবক থৌরমশিং হেন্না কনশিলহল্লে।

**মেসিঃ** আর্জেন্তিনাগী শকাইরবা ফুটবোল শান্নরোই লিওনেল মেসি অন্তর জাতিগী ফুটবোল মশান্নশিংদগী পোথাখ্রে। চহী ৩৯ শুরবা শকাইরবা ফুটবোল্লর অসিনা মহাক্কী লৈবাক অর্জেন্তিনাগীদমক মেটচ ২০৭ শান্নখি। মসিগী মনুংদা ৱার্ল্ড কপ অমদি কোপা অমেরিকা মাই পাকপা য়াওখি। কুমজা ২০২২দা মহাকা অর্জেন্তিনাবু লচিংদুনা ৱার্ল্ড কপ তাইতল লৌখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপতা স্পেনগী মখুৎতা মাইথিদুনা রন্নর্স অপ তাখি। লিওনেল মেসিনা হায়-মহাক্কী অপোকপা মপা শিদ্রিঙৈদা ফুটবোল মশান্নদগী পোথানবা খন্দুনা লাকপনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সেন্তরনা মনিপুরগী সেন্সস য়ৈথোকখ্রে, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনসু সেন্সস য়ৈথোকবা খঙহনখে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তনা- মণিপুরদা পাঙথোক্কদবা সেন্সস ওপরেসন য়েথোকখ্রে, লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী প্রেসরদা সেন্তরনা ফিরেপ লৌরকপদগী সেন্সস য়েথোকপনি, কৌরিবা বন্দ মীয়ামগী য়েংলগা হন্দোকপীয়ু ঃহোম মিনিষ্টর, পোকফমদনা- অমিত শাহ য়াওনা পুন্না খন্নরবা মতুংদা মণিপুরগী সেন্সস য়েথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সেন্সস ওপরেসন য়েথোকপগী পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, মণিপুর মেল, তামেংলোং তাইমস, গানফিউ মেলনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনবা উরে।

ঙসিদগী মণিপুরদা সেন্সস হৌগনি হায়খিবা হোম দিপার্টমেন্টকী নোতিফিকেসন হাই কোর্টনা ওক্তোবর ১২ ফাওবা চৎনহনখিদ্রে হায়বা পাউ অমা- হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এন.তৈখাং এত্তেক্টতা নুপী য়াওনা মীওই অহুম হাৎখ্রে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- নাগা এম.এল.এশিংনা নেমচা অমসুং কে.এন.এফ.পি লিদরগী মথক্তা এক্সন লৌননবা অমিত শাহদা চে ইখ্রে হায়বা পাড অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা- সেন্সস ২০২৭ হাউস লিষ্টিং ওপরেসনগী থবক হাই কোর্টনা য়েথোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আর.সি অমসুং এস.তিগী দিমান্দ ফংহনবা হায়বসি আর.পি.আইগী ফিরেপনি হায়না কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ এম্পৱরমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি রামদাস অথৱালেনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা-পোকফমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা-য়ুনিয়ন হেলথ মিনিষ্টর জে.পি নদ্দানা রিমসপু এইমসকী থাক্তা পুখৎপা, সেনাপতি মেদিকেল কোলেজ লিংবদা অয়াবা পীরে হায়বা পাউ মরুওইবা পাড ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- সেন্তরনা মণিপুরগী সেন্সস য়ৈথোকখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- তৈখাং খুলগী মীহাৎ য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা কোতুনা নেসনেল হায়ৱে টুদা পুং ২৪গী সটদাউন লাউথোকখে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

--**পাউ লোইজরে**--